# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 19-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) টি.এম কাসোমদা চথুখিবা এটেক্তা মীওই অনি লৈখিদবা থৌদোকপু রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি, লুচিংবশিং অমদি লন্নাই লুপ কয়ানা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

২) রাজ্য অসিদা মীয়ামা খোঙজং চংশিনবা মতমদা পীক্লিবা অঙাংশিং শরুক য়াহন্দনবা এম.সি.পি.সি.আরনা হায়রি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মহাক্কী সরকারগী খ্বাইদগী মরুওইবা অসি মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনবা হায়বসিনি।

------

এম্বুস (এল): ইম্ফাল-উখ্রুল নেসনেল হাইৱে ২০২ গী উখ্রুল জিলাগী টি.এম কাসোমদা খুৎলায় পায়বশিংনা চথুরকখিবা এটেক্তা মীওই অনি লৈখিদবা থৌদোকপু রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি, লুচিংবশিং অমদি লন্নাই লুপ কয়ানা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

উখ্রুল জিলাদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক্তা দিফেন্সকী থবক্তগী পোখারবা মীওই অমা য়াওনা মীওই অনি লৈখিদবগী থৌওং অদুবু রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। মিলিটেন্টশিংনা চথুখিবা হিংশা য়াইতম্বগী এম্বুস অদুদা মীওই অনি লৈখিদবনি। অসিগুম্বা য়ামা তমথিবা হিংশাগী থৌদোক অসি কন্না য়ানিংদবগা লোয়ননা মীওইবা জাতিগী মায়োক্তা

চথুবা ক্রাইম অমনি। লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়রদুনা রাজ্যপালনা হায়- লুরবা তানফম অসিদা মখোয়গীদমক্তা লেপ্তুনা লৈরি। অসিগুম্বা হিংশাগী থৌওং চপ চান্না থেংনগদবনি।

উখ্রুল জিলাগী টি.এম. কাসোমদা মীওই অনি লৈখিদবা অদু থম্মোয় শোকিঙাইনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোরক্লি। অসিগুম্বা মীনুংশি য়াওদবা থৌদোক অসি য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়রি। মহাকা হায়- অসিগুম্বা হিংশাগী থৌওং অসি সমাজ অসিদা মফম লৈতে। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- থৌদোক অসি নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি এন.আই.এদা শিন্নবা সরকারনা ৱারেপ লৌরে। মসিগী মথক্তা লৈখিদ্রবা মীওই অনিগী ইমুং মনুংদা ক্ষেত্রিপুরন পীরগনি। মহাকা হায়- থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লিতান পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা থিজিনবগী থবক চথুবা হৌরে। শ্রী খেমচান্দনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং ফানবা থি হুম্বগী থবক চথুরি।

গৃহ মন্ত্রি গোবিনদান কোন্থৌজম, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ অমসুং এম.এল.এ- থোঙাম বিশ্বজিৎনসু উখ্রুল জিলাগী টি.এম. কাসোমদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু.এন.সি), ফুট হিলস নাগা কোওর্দিনেসন কমিতি, ৱার্কিং কমিতি ওফ তাঙ্খুল নাগালোং, কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি), পিপলস এল্লায়েন্স ফোর পিছ এন্দ প্রোগ্রেস মণিপুরনসু থৌদোক অসিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী য়েংলগা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ১৪২ ঙরাং ইম্ফালদা চংলকখ্রে। গাড়িশিং অসিনা ইম্ফাল তমা চংলকপদা অশোই অঙাম

থোক্তনবা নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী ইরাং থোকপা য়াবা মফমশিংদা সেকুারিতিগী কনভোইশিং থমখি।

উখ্রুল জিলাগী টি.এম. কসোমদা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অদুদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। মফম অদুদা মখা তানা হিংশাগী থৌদোকশিং থোক্তনবা অহেনবা সেক্যুরিতিশিং থমদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। হৌজিকসু মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি।

সটদাউন (এল)ঃ মণিপুর পুম্বদা হৌখিবা অহিং নোংয়াইদগী হৌদুনা নুমিৎ ৫ নি টোটেল সটদাউন চথুরি। জে.এ.সি ত্রোংলাউবী অমসুং সরকার অনিগী মরক্তা তাঙ্কক অনিরক ৱারী শান্নখ্রবা মতুং মীয়ামগী অপুনবা মীফম অমনা সট দাউনগী খোঙজং চংশিন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি। মীফম অদুদা জে.এ.সিনা রাজ্য সরকারদা থমখিবা দাবীশিং অদুগী মথক্তা অনৌবা দাবী অনি হাপচিন্নবা ৱারেপস্ লৌখি।

কম্মিসন (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী ককৱা অশেম লৈকাইগী যুম্লক্তা তিয়ার গ্যাস কাপশিনবদগী চহি মরিগী মখাদা লৈবা অঙাং অমা শোকহনবগীদমক সু মোতু কেস অমা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম.সি.পি.সি.আর)না লৌখৎখ্রে, লোয়ননা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে। কম্মিসন্না থোকপা চেরোল অমদা হায়- গনতন্ত্রিক অমসুং হিংশা য়াওদবা খোঙজংশিং লাকশিন্নবা হোৎনবদা অহেনবা শক্তি শিজিন্নরোইদবনি। মসি মরুওইনা রেসিদেন্সিল এরিয়াশিংদা ফোর্স শিজিন্নবগী চাং অমসুং চৎন কাংলোনশিং ঙাক্কদবনি। মীয়ামসু পিক্লিবা অঙাংশিং খোঙজংশিংদা শরুক য়াহল্লোইদবনি। লোয়ননা অঙাংশিংদা শোকহনবা অমদি পুকিং ৱাখলদা অকায়বা থোকহনগদবা মফমশিংদা পুথোক্লোইদবনি হায়নসু কম্মিসন্না হায়রি।

মেট (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- ঙসি রাজ্য অসিগী জিলাদা খরদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, জিরিবাম, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুগনি। চীংগী জিলা খরা তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, নোনে অমসুং কামজোং জিলাদসু হায়রিবা ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই হায়রি।

মরক অসিদা, নোনে জিলাদা ঙসি অয়ুক নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা অকনবা চুখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা ইলেক্ট্রিক্ট লাইনশিং অমাং অতা থোক্লে।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মহাক্কী সরকারগী খ্বাইদগী মরুওইবা অসি মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনবা হায়বসিনি। জাতিগী মীয়ামদা ঙরাং নুমিদাং ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- সরকার অসিনা পুকচেল শেংনা অমদি অঙম্বা থাক্তা নুপীদা অহেনবা শক্তি পীননবা পুখৎলকখিবা নারি শক্তি বন্ধন আধিনিয়ম লোক সভাদা পাস তৌবা ঙমখিদবা অদু য়ামা লাইবক থিবনি। মসিগীদমক লৈবাক অসিগী ইমাশিং অমসুং ইচে ইচল ওইবীশিংগী মফমদা ঙাকপীনবা হায়জরি। সরকার অসিনা নুপীশিংগী য়াইফনবা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিদা কংগ্রেস, দি.এম.কে, টি.এম.সি অমসুং এস.পিগুম্বা দলশিংনা অয়েৎ অপন পীরকপগীদমক দলশিং অসিবু মরাল শিখি। মহাকা হায়- নুপীশিংদা অহেনবা শক্তি পীনবগীদমক নারি শক্তি বন্ধন এমেন্দমেন্ট অসি য়ামমক তঙাইফদবা অমনি।

মীখল ঃ বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি নোংচুপ বেঙ্গলদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লিদা বি.জে.পি মীরেপকীদমক ভোৎ খোমগনি। বানকুরা, পুরুলিয়া, ঝরগ্রাম অমসুং অতৈ জিলাশিংদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী মীতিনশিংদা শ্রী মোদিনা ৱা ঙাংগনি।

অমরোমদা, বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি জে.পি. নদ্দাসু রাজ্য অসিগী কুছবিহার অমসুং জলপাইগুরি জিলাশিংদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াগনি। দল অসিগী প্রসিদেন্ট নিতিন নবিনসু দক্সিন দিনাসপুর অমসুং মালদাদা পাঙখোপা মীখলগা মরী লৈনবা থৌরম কয়াদা শরুক য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কসোমদা মীচম অনি নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা, মণিপুর পুন্সদা নুমিৎ মঙানি তোতেল সটদাউন লাউথোকখিবা অমদি মীকোক থীবগী থবক চথনবা পোৎলমশিং ইম্ফালদা থুংলখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অহিংদা লেপ্তুনা কাপশিল্লক্লবা নোংঙাল্লগনা এম্বুস তৌবদা অনি শিরে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি। এন.আই.এবু থিজিনহল্লগনি, এক্স-গ্রেসিয়া পীরগনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম পাউচেল অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। সেন্সস তৌবদা মথৌ তাগদবা পোৎলমশিং ইম্ফালদা য়ৌরকখ্রে হায়বা পাউ অমসু মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি সনালৈবাক, দ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, হুইয়েন লানপাউ, পোকফম অমসুং দি পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা তোঙান তোঙানবা হেদলাইনশিং তৌদুনা ফোংলি।

ত্রোংলাউবী অমসুং গেলমোন থৌদোক্কী মায়োক্তা মীয়ামগী খোঙজং মখা তানা চখরি। মফম কয়াদা মৈরাগী রেল্লি চৎখিবগী পাউসু ঙসি ফোংবা অয়াম্বা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরি।

ত্রোংলাউমী থৌদোক্কা মরী লৈননা মণিপুর পুন্সদা নুমিৎ মঙানি তোতেল সটদাউন লাউথোকখ্রে, চেন্নবা অথুবদা পুথোক্লবদি হেন্না অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না সনালৈবাক্তা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

টি.এম. কসোমগী থৌদোক্কা মরী লৈননা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা য়ু.এন.সিনা তকশিল্লক্লি হায়বা পাউ অমসু দি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি। রাজ্য সরকার য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা কসোমগী থৌদোক অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোকরকপগী পাউসু পাউচে অয়াম্বা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

উখ্রুলদা মীওই অনি কাপ্তুনা হাৎলম্বগী পাউগা লোয়ননা থৌদোক অসি এন.আই.এদা থিজিনহল্লগনি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদদি মীচমা চৎপদা অদুমক হিগোক থোক্লি, সেকমাইদগী সেনাপতি ফাওবা বি.এস.এফনা ঙাক শেন্দুনা পুরম্বা তোকথোক্লমলে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চীফ মিনিষ্টরগী ইং তপ্পা পুরকবগী খোঙথাংদা খোঙলৌ পলহৌনিংবা য়াওরে, উখ্রুলদা চৎলুবগী নোংঙানবদা কসোমদা মীচম অনি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

থাউ হেঞ্জিন্না য়োল্লুবগী রিটেল আডটলেট অহুম সপ্লাই ব্লোক তৌখ্রে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি দি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

------